# বেঙ্গলুরুনা শিল্লোং লাজোং, গোৱানা আইজোল এফ সিবু মায়থীবা পীখ্রে



বেঙ্গলুরু, জন্যুৱারী ২৭ ঃ
নোর্থ কোরিয়াগী কিম সোং য়োংগী মশক থোক্লবা গোল অনীনা বেঙ্গলুরু এফ সিনা শিল্লোং লাজোংবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা আই-লীগকী টেবলদা মকোক থোংনা লৈখ্রে।

বেঙ্গলুরুগী শ্রী কান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মশাগী চহী ২৮ শুরবা য়োংনা অহানবা হাফকী মিনিট ৩৫ চৎপা মতমদা গোল অমা অমসুং অনীশুবা হাফকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনখি অদুগা সি কে ভিনীথনা গেমগী অহানবা মিনিট অহুম চৎপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা ভিজিটরবু মায়থীবা পীখি।

লাজোংগী ফোরৱার্দ ব্রাজিলিয়ন য়ুল্লিয়মস বোমফিস য়াওনা চঙশিনখিবা এটেক্তা বেঙ্গলুরুগী দিফেন্স থুগায়বা ঙমখিদবনা মেচ অদু ৱান সাইদেদ মেচ ওইখি।

বেঙ্গলুরুনা থংনা থংননা মেচ অহুম মায় পাকখিবনা লীগকী টেবলদা পোইন্ট ৯ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈখ্রে অদুগা মোহন বগাননা মেচ অনীদগী পোইন্ট ৬ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈরে।

বেঙ্গলুরুনা মখোয়গী অহৌবা মেচতা শলগাওকরবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি অমদি অনীশুবা মেচতা নৌনা লীগ অসিদা চঙলকখিবা আইজোল এফ সিবু কর্টিস ওসানাগী সোলিটরি গোলনা মায়থীবা পীখি।

য়ূম্মুনা মেচ হেক হৌখিবা মিনিট অহুম চৎপা মতমদা ভিনীথকী লেফ্ট ফুটরনা কাওশিনখিবা বোল অমা লাজোংগী গোলকিপরনা সেভ তৌবা ঙমহৌদনা ফজরবা গোল অমা ওন্থোকখি। বেঙ্গলুরুনা লাজোংগী সাইদতা এটেকশিং তৌখি অমদি খুদোংচাবা খরা ফংখ্রবসু কান্নবদি ফংখিদে। তুংদা মেচকী মিনিট ৩৫ চৎপা মতমদা য়োংনা লাজোংগী গোল কিপরনা ঙাকথোরকপা বোল অমা কাউশিনখিদুনা গোল অমা চনখিদুনা য়ূম্মুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

সেকেন্দ হাফকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা য়োংনা মহাক্কী টিমগীদমক অহুমশুবা অদুগা মহাক মশাগীনা লীগ অসিদা অনীশুবা গোল চনখি। য়োংনা মহাক্কী হেটট্রিক ফংগদবা খুদোংচাবা অমা মেচকী ৮২ চৎপা মিনিটতা ফংখ্রবসু মহাক্না কাওখিবা বোল অদু ফাক্না চৎখিবদগী অরেম্বা তাখি। নোর্থ কোরিয়নগী মশক থোক্লবা পাফোর্মেন্স অদুগীদমক মেন ওফ দ মেচকী মনা পীখি।

অমরোমদা, নিংথৌকাবা নুমিৎতা আইজোলগী রজিব গান্ধি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা আই লীগ ২০১৬ কী মেচ অমদা স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱানা য়ূম্মু আইজোল এফ সিবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

লীগ অসিগী জনুৱারি ১০ দা শান্নখিবা মেচতা স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱানা ইষ্ট বেঙ্গলগী মখূৎতা ১-৩ দা মায়থীহৌখি অদুগা অনীশুবা মেচ ওইনা জানুৱারি ১৭ তা শান্নখিবা মেচতা স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱা অমদি দি এস কে শিভাজিয়ান্সকা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চৎখি। অদুগা আইজোল এফ সিগী অহানবা ওইনা জানুৱারি ৯ দা শান্নখিবা মেচতা মোহন বগানগী মখূৎতা ১-৩ দা মায়থীখি অদুগা অনীশুবা মেচ জানুৱারি ১৬ তা বেঙ্গলুরু এফ সিগী মখূৎতা ০-১ দা মায়থীহৌখি। অহুমশুবা ওইনা জানুৱারি ২২ দা শান্নখিবা মেচতা আইজোল এফ সিনা দি এস কে শিভাজিয়ন্সপু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱা অমদি আইজোল এফ সি অনীগী মেচ অদুগী হেক হৌখিবা মিনিট ফাদ্রিঙৈদা গোৱাগী নিকোলাস ফর্ণান্দেজনা পেনালটি এরিয়াদগী কাওশিনখিবা বোল অমা গোল ওন্থোকখি। আইজোলসু গোল হন্দোক্লবা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা গোল এটেম্প কয়ারক তৌখিবদা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। গোৱানা অমুক আইজোলগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা শাফুদা মেচকী মিনিট ২৭ চৎপা মতমদা লবদে ওকেচুকরুনা য়ার্দ ৩০ রোমদগী কাওশিনখিবা বোল অমা আইজোলগী গোল পোষ্ট মনুংদা চঙখিদুনা আইজোল এফ সিবু ২-০ দা মায়থীবা পীখি।

# পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা মুম্বাই দবাংবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেল্লিদা মকোক থংনা লৈখ্রে



চান্দিগর, জন্যুৱারী ২৭ ঃ
হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) কী মরিশুবা এদিসনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা চান্দিগর হোকি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচতা পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা দবাং মুম্বাইবু ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী মকোক্তা লৈখ্রে।

পঞ্জাবনা মখোয়গী গোলশিং অদু হাফ থাদ্রিঙৈ মমাঙদা লোইনা চনখি। অহানবা গোল অদু অর্মন কুরেসিনা ফিল্ড গোলদা চনখি অদুগা অতোপ্পা অমদুনা পেনালটি কোর্নরদা খৃষ্টোফর সিরিইল্লোনা চনখি।

মুম্বাই দবাংগী গোল অদুনা হরমনপ্রীট সিংহনা পেনালটি কোর্নরদা চন্দুনা গোল অমা ইক্বেলাইজ তৌখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী জয় ষ্টেসিনা কোচ ওইবা মুম্বাই দবাংনা শগোলশেন নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয়গী ওপনিং মেচতা কলিঙ্গা লেন্সরসকী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা লীগ অসিদা খ্বাইদগী রেঙ্ক নেম্না লৈবা টিম ওইদুনা লীগ টেবলদা মেচ অনীদগী পোইন্ট অনী ফংদুনা লৈরি।

পঞ্জাবনা মেচ অহুমদগী পোইন্ট ১১ ফংদুনা পোইন্ট টেল্লিদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি অদুগা দেল্লি ৱেভরাইদরসনা পোইন্ট অমখক তাথরগা অনীশুবা মফমদা লৈরি।

মুম্বাইগী নহা ওইরবা জর্মননা ওপোনেন্ট সাইদতা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনরবসু কান্নবা ফংখিদে। পঞ্জাব ৱারিয়র্সকী ওষ্ট্রেলিয়ন মার্ক নোলেসনা ওই থংবা সাইদতগী কম্পেটট্রোইট মাট্র গোহদেসতা পীরক্তুনা অমুক মাট্নুনা কুরেশিদা পীথোরকখিদুনা বোল অদু মেচকী মিনিট ৯ চৎপা মতমদা মুম্বাইগী গোল পোষ্টতা য়ৈশিনখিদুনা ফিল্ড গোল অমা চনখি। কুরেশিনা য়ৈশিনখিবা বোল অদু মুম্বাইগী কপ্টোদিয়ন দেভিদ হার্টেনা সেভ তৌবা ঙমদনা উপাই লৈতনা লৈহৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অনৌবা রুলগী মতুং ইন্না ফিল্ড গোল অমা চনবদা গোল অনী লৌরি অদুগা পেনালটি কোর্নরনা মহৌশাগুম গোল অমখক লৌরি।

মুম্বাইনা মেচকী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা ফংখ্রবসু কান্নবদি ফংখিদে। পঞ্জাবনা মুম্বাইগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। পেনালটি কোর্নর অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী খৃষ্টোফর সিরিইল্লোনা অকনবা শাফুদা বোল অদু থোমজিনখিবদা কিপর হার্টেনা করিমত্তা তৌবা ঙমহৌদনা গোল চনখি।

মিদফিল্ডর সর্দার সিংহ অমদি সিমোন ওচার্দনা পঞ্জাবকীদমক খুদোংচাবশিং লৌননবা শেম শাখ্রবসু মখোয়না অহেনবা গোল অমত্তা চনবদি ঙমখিদে।

মুম্বাইনা পঞ্জাবকী মায়কৈদা চঙশিনখিবা কাউন্টর এটেক্তা পেনালটি কোর্নর অনী ফংখি। অহানবা পেনালটি কোর্নর অদু হরমনপ্রীটনা গোল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা পেনালটি কোর্নর অদুদি ওষ্ট্রেলিয়াগী কপ্টোদিয়ন ট্রিষ্টিয়ন ক্লেমেন্দানা সেভ তৌখিদুনা হরমনপ্রীটকী অশা অদু অরেম্বদা তাহনখি। পঞ্জাবকী গুরৱিন্দর সিংহ চান্দি অমদি এস ভি সুনিলনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখ্রবসু গোল চনবা ঙমদনা মেচ অদু য়ূম্মুনা ৩-১ দা মায় পাকখি।

# ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন শিভনরাইন চন্দরপাউল পোথারগনি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ২৭ ঃ
ৱেষ্ট ইন্দিজগী লেজেন্দ ব্রিয়ান লারানা মহাক্কী টিমমেট শিভনরিন চন্দরপাউলবু টিমগীদমক অহকপা থৌদাং লৌহনদবদা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

লারানা লেফট হেন্দর অসিনা কারবিয়ান ক্রিকেটতা লৌখিবা থৌদাংবু থাগৎলদুনা হায়, কুমজা ১৯৯৪ দগী শিভনা ক্রিকেট শান্নবা হৌরক্তুনা মশক থোকপা থৌদাংশিং উৎপা ঙমখি। ঐনা মহাক্কী ইংলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেচ অদু নিংশিংলি। শিভনা ৱেষ্ট ইন্দিজগীদমক খ্বাইদগী য়াম্বা টেষ্ট মেচশিং চহী ২০ গী মথক্তা শান্নখি।

চন্দরপাউলনা টেষ্ট মেচ ১৬৪ দা অপূনবা রন ১১,৮৬৭ লৌদুনা চাংচৎতা ৫১ ওইরি অদুগা মহাক্না সেঞ্চুরি ৩০ লৌখ্রে। ও দি আইদা চন্দরপাউলনা মেচ ২৬৮ দা অপূনবা রন ৮,৭৭৮ লৌদুনা চাংচৎতা ৪১ ওইরি। শিভবু টেষ্ট মেচশিংগীদমক খনদবদা ঐঙোন্দা পেন্দবা পোকই হায়খি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী মমিং লৈরবা বেটসমেন শিভনরাইন চন্দরপাউলনা ক্রিকেট মশান্নদগী পোখারগনি হায়না মমাঙগী ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৪১ শুরবা শিভনরাইন চন্দরপাউলনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী টেষ্ট টিমদা মতম খরগী মমাঙদগী মফম কনবা ঙমদনা লাকখ্রবসু মহাক্না মহাক্কী লৈবাক্কীদমক টেষ্ট মশান্নদা অপূনবা রন ১১,৮৬৭ লৌদুনা খ্বাইদগী রন মশীং য়াম্না লৌবা ঙন্বা প্লেয়র ওইরিবনি। মহাক্কী লৈবাক্কী খ্বাইদগী রন মশীং য়াম্না লৌবা বেটসমেন ওইরিবা ব্রাইন লারাদগী চন্দরপাউলনা শুপ্নগী রন ৮৭ খক তাথনা লৈরি।

লেফ্ট হেন্দেদ চন্দরপাউলনা মহাক্কী অহানবা টেষ্ট অদু ইংলেন্দগী মায়োক্তা কুমজা ১৯৯৪ দা শান্নখি। মহাক্কী পোক্লফম লমদম ওইরিবা গুয়ানাদা শান্নখিবা মেচ অদুদা চন্দ্রপাউলনা হাফ সেঞ্চুরি য়ৈদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজনা রন ৪৪ দা মায় পাকখি।

শিভনরাইন চন্দরপাউলনা মহাক্কী অরোইবা টেষ্ট মেচ কুমজা ২০১৫ গী মে থাদা ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নদুনা মহাক্কীলৈবাক্না ৱিকেট মঙাদা মায় পাক্তুনা মেচ অহুমগী টেষ্ট সেরিজ অদু চাং মান্ননা লৈহনখি।

হায়রিবা সেরিজ অদুগী মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ূম্মু ওইদুনা টেষ্ট মেচ অনী শান্নখিবা দিনেশ রামদিননা লুচিংখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী টিম অদুদা শিভনরাইন চন্দরপাউলবু খথহৌখিবদগী মহাক্কী লৈবাক্কীদমক শান্নবা ফংদনা লাকখিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপী টিম্না মায় পাক্তুনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখ্রে



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ২৭ ঃ
ইন্দিয়াগী ক্রিকেট ফেনশিংগীদমক্তদি ঙরাং অসি খ্বাইদগী নুঙাইবা নুমিৎ ওইনা নুপা অমদি নুপীগী ক্রিকেট টিমশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াবু টি ২০ ইন্টরনেসনেলদা মায়থীবা পীখ্রে।

এম এস ধোনি অমদি কোনা ষ্টেভস্মিথনা লুচিংবা ওষ্ট্রেলিয়ন টিমবু ঙরাং শান্নখিবা অহানবা টি ২০ ইন্টরনেসনেল মেচতা রন ৩৭ তা মায়থীবা পীখি অদুগা মিথালি রাজনা লুচিংবা ইন্দিয়ন ৱিমেন'স টিমনা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপী টিমবু মায়থীবা পীখি।

ও দি আই মেচ মঙাগী সেরিজদা ৪-১ দা মায়থীরবা মতুংদা মেন ইন ব্লুনা অতেনবা ফোর্মেটকী গেমদা য়ূম্মুবু খুদোংথিবা অমত্তা মায়োক্নবা তৌদনা অপূনবগী পাঙ্গলদু উৎখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ইন্দিয়ানা অপূনবা রন ১৮৮ লৌখি। মেচ অদুদা ভিরাট কোহলিনা রন ৯০ লৌখি। মখোয়গী পাউখুমদা ওলষ্ট্রেলিয়ানা মমাঙদা শান্নখিবা নিংথিরবা খূৎশান্না অদু য়ৌবা ঙমদনা রন ৩৭ তাথনা লৌদুনা মায়থীখি। ইন্দিয়াগী বোল্লর বুমরাহনা ৱিকেট অহুম লৌখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা মখোয়গী টি ২০ কেম্পেনদা য়াল্লবা রন তান্নদুনা লৌখি। বেট্টিং অহানবা তৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপী টিম্না রন ১৪০ লৌখি। মখোয়গী পাউখুমদা ইন্দিয়ানা টার্গেট রন অদু ওভর ১৮ দা লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু মায়থীবা পীখি।

# ইন্দিয়ানা টেষ্ট রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান স্পোটতা লৈখ্রে

দুবাই, জন্যুৱারী ২৭ ঃ ইংলেন্দনা সাউথ অফ্রিকাবু টেষ্ট মেচ মরিগী সেরিজদা ২-১ দা মায়থীবা পীখিবদগী ইন্দিয়ানা চহী মরিমখায়গী গেপ অমা লৈরুরবা মতুং টেষ্ট রেঙ্কিংদা টোপ স্পোটতা অমুক হঞ্জিনবা ঙমখ্রে।

প্রোটিজনা সেঞ্চুরিয়নদা শান্নখিবা মরিশুবা টেষ্টতা রন ২৮০ দা ইংলেন্দবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখ্রবসু রেঙ্কিংগী চার্টতা হান্নগী মফম কনবা ঙমদনা কুমথখিদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈখি। আই সি সিগী ওফিসল ত্বিট্টরদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা থাদোরকখিবা রেঙ্কিং অদুদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১১০ ফংদুনা নৌনা টেষ্ট রেঙ্কিংগী মকোক্তা লৈখি। ইন্দিয়াগী হেক মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি প্রোটিজনা লৈখি।

পাকিস্তাননা ইংলেন্দগী মমাঙ থাদুনা মরিশুবদা লৈখি অদুগা ইংলেন্দনা মঙাশুবা, ন্যুজিলেন্দনা তরুকশুবা, শ্রীলঙ্কানা তরেৎশুবা, ৱেষ্ট ইন্দিজনা নিপানশুবা, বংলাদেশনা মাপনশুবা অমদি জিম্বাবৱেনা তরাশুবা মফমদা লৈখি। ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১১ গী ওগষ্ট থাগী মমাঙদা নম্বর ৱান স্পোটতা লৈরমখ্রবা মতুং হন্দক টেষ্ট রেঙ্কিংদা অহানবা ওইনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙন্নকখিবনি।

ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বর থাদা টেষ্ট রেঙ্কিংগী অনীশুবা মফমদা কাখৎলকখি। মদু সাউথ অফ্রিকাবু হোম সোইলদা ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদগীনি। মসিনা ভিরাট কোহলিনা লুচিংবা ইন্দিয়াগীদমক্তদি খ্বাইদগী চাউরবা পাউ অমা হায়বদু ওইবগা লোয়ননা মহাক্না অশাংবা মখলগী ফোর্মেটতা মখা তানা মশক থোকপা কয়া উৎলকখিগনি হায়বগী আশা তৌনরি।

# পি ভি সিন্ধুদা বাইনা লুপা লাক্ষ ৫ গী এৱার্দ পীরগনি



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ২৭ ঃ
মালেসিয়া মাষ্টরস গ্রান্দ প্রী গোল্ড টাইটল লৌখ্রবী পি ভি সিন্ধুবু ঈকাইখুম্নবা উৎতুনা বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (বাই) না লুপা লাক্ষ ৫ গী কেশ এৱার্দ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

সিন্ধুনা স্কোটলেন্দগী কিরষ্টি গিলমোরবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা সিজন অসিগী মহাক্কী অহানবা টাইটল লৌখি। ঐনা মহাক্কী মায় পাকপা অদুবু থাগৎলি। মহাক্না টাইটল অসি কুমজা ২০১৩ দা লৌখি অমদি চহী অসিদসু মহাক্না অমুক হন্না মায় পাক্লে। ঐনা মহাক্কীদমক চাউথোকচৈ অমদি তুংদসু মহাক্না টাইটল কয়া লৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি হায়না বাইগী প্রসিদেন্ট অখিলেশ দাস গুপ্তনা চেরোল অমদা হায়খি।

মসিগী মায় পাকপা অসিনা লাক্লিবা রিওগীদমক সিন্ধুগীদমক্তদি অফবা হায়বদু ওইরে। মহাক্না লাক্লিবা ইভেন্ট অসিদা মশক থোকপা থবকশিং তৌরক্কনি হায়না ঐনা থাজবা পোকই হায়না মহাক্না হায়খি।



DREAM OF OPEN HEART SURGERY FACILITIES IN MANIPUR
NOW COMES TRUE...
3 more Children underwent open Heart Surgery (17-18 January 2016)



Dr. L. Shyamkishore
MD, DM (AIIMS), FCSI, MRCP (UK), FRCP (London)
Chief of Cardiac Services
Head of Clinical Governance & Quality Control



Dr. Krishna Iyer
M.S., M.CH. (AIIMS)
Executive Director & HOD, Children & Adult Congenital Heart Surgery (Birth Heart Defect) Escort Fortis Heart Institute, New Delhi
Pioneer in Children's Heart Surgery having performed more than 13,000 operations
VISITING SENIOR HEART SURGEON OF SKY



Dr. Ajay Kaul
M.S., M.CH. (CTVS)
Chairman & HOD, Cardiac Surgery, BLK Hospital, Delhi
Former Director, Cardiac Surgery, Escorts Fortis Heart Institute, Delhi
Former Director, Cardiac Surgery, B.M. Birla, Kolkata
Has performed over 15000 Heart Operations including 2000 Congenital Heart Operations
VISITING SENIOR HEART SURGEON OF SKY

HEART Operations available
1. Closure of Hole in Heart (Birth Heart Defect)
2. Valve Replacement (MVR/AVR)
3. Coronary Artery by-pass Surgery (CABG)
4. Any Other Heart Operation

SKY HOSPITAL
TRANSFORMING HEART CARE IN MANIPUR
BOOKING IS ON...
Book your slot in advance with reception or 8415935048 to avoid disappointment
HL-P/7418/28



B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/CHOSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 20 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
Sub: X (All subject), XI & XII Sc (Phy, Che, Bio, Maths, Eng, Compt. Sc)
CLASS HAS JUST STARTED
CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17
CLASS STARTS ON : 18th JAN. 2016 LAST DATE : 16th JAN. 2016
Class Timing : (Either morning or evening students can join in both classes)
Morning (5:30 to 8:00) a.m.
Evening (4:30 to 7:20) p.m.
Please Contact : Office of the BCC Manipur Elite Senior Sec. School Building
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856279435
HL-B/2879/6/01-5/Feb



INSTITUTE OF COOPERATIVE MANAGEMENT, IMPHAL
COOPERATIVE COMPLEX, LAMPHELPAT
( Ministry of Agriculture & Farmers Welfare, Govt. of India)
ANNOUNCES
CERTIFICATE COURSE ON COMPUTER APPLICATION
W.E.F. 2ND FEB. 2016 TO 2ND AUG. 2016
Timing : (i) 07.30 A.M. to 09.30 A.M.
(ii) 09.30 A.M. to 11.30 A.M.
Intake Capacity : 30 each
Course Fee : Rs. 8000/-
Duration : 6 Months

PROG. ON HARDWARE & NETWORKING
W.E.F. 22ND FEB. 2016 TO 4TH APRIL 2016
Timing : 07.30 A.M. to 09.30 A.M.
Intake Capacity : 30
Course Fee : Rs. 3000/-
Duration : 6 Weeks

CERTIFICATE COURSE ON
ACCOUNTING, PAYROLL, TAX ACCOUNTING & INVENTORY CONTROL
USING TALLY ERP 9
W.E.F. 22ND FEB. 2016 TO 22ND APRIL 2016
Duration : 2 Months
Intake Capacity : 30
Timing : 02.00 P.M. to 04.00 P.M.
Course Fee : Rs. 3000/-

Contact Nos.: 03852414526
Sd/-
(K. Joychandra Singh)
Director(i/c), ICM, IMPHAL
HL-P/7413/28,30,31




IPS THE IMPHAL PUBLIC HR. SEC. SCHOOL
CANCHIPUR
THE ONLY SCHOOL IN MANIPUR WITH ALL ROUND DEVELOPMENT
THE PERFECT DESTINATION FOR PARENTS AND STUDENTS

KFC THE KANGLEIPAK FITNESS CENTRE (A BLOCK OF GYM OF IPS)
REGISTRATION OPENS FOR FITNESS TRAINING (BOTH GYM & AEROBIC)



Gym Studio Aerobic Studio
* YOU CAN LOST 20-30 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
* YOU CAN GAIN 10-20 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
* YOU CAN FIT WITHIN A FEW MONTHS
* SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS
* SPECIAL CONCESSION FOR IPS STUDENTS & PARENTS.
* WEIGHT LOST & GAIN, CONSULTANT
* TRAINING FEE RUPEES 500/- ONLY
* GYM TIMING - 5AM TO 8PM
MOTTO : HEALTH IS WEALTH

ADMISSION OPENS-2016
FROM PRE-NURSERY TO CLASS IX
(BOTH SCHOOL & BOARDING)
* AWARDED FOR BEST SCHOOL
* AWARDED FOR BEST PRINCIPAL
* LOWEST ADMISSION FEES & TUITION FEES WITH MEGA FACILITIES
* 12 TIMES STATE WINNER IN CO-CURRICULAR ACTIVITIES
LET'S NOT DEPEND ON FUTURE. LET'S CREAT IT.



17TH GUDDU 9TH JELINA 8TH CLINTON
MOTTO : KNOWLEDGE IS POWER
Note: i) Academic Session for 2016 will be commenced from the 1st of Feb. 2016 from Class Pre. Nursery to Class X.
ii) All the Boarders should report on 30th of January 2016 in between 10 a.m. to 3 p.m.
HL-B/2885/9/01-8/02